# লাননা মরম ওইরগা য়ূম-কৈ মৈ থাদোকপীখ্রে, হৌজিক শান্নবা ঙমদবগী নীংবা অমুক কায়হনগদৌরিব্রা : য়াইসনা

গ্যানন্দ নাওরেম



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচ এন এস):** মণিপুরদা মমাং চহীগী মে ৩ দগী হৌরকখিবা লান অসিদা হকথেংননা য়াওরুদ্রগসু করিসু খঙজদ্রিবা পীক্লিবা অঙাং ফাওবা লানগী অচৌবা চৈথেং নংলি। হেক তাবদা থম্মোয় শোক্লগদবা শান্নরোয় অমগী পাউদম ঙসি পাউচে অসিনা মীয়ামদা থমজরি।

থা অসিগী ৬ অমসুং ৭তা অসামগী দিব্রুগরদা পাঙথোকপা খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স কিক্ বোক্সিং লীগতা সনাগী মেদল লৌদুনা লমদম অসিগী মিংচৎ পুরকখ্রবী হৌজিক-হৌজিক্লা ককচীং ৱাইরি পঞ্জাও পালুমদা লৈবা খা-মণিপুর কোলেজ ককচীংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখিবী কোংখাম য়াইসনা চনু কিক্ বোক্সিং শান্নবদা শীজিন্নগদবা কিটশিংদি লায়রদনা ফূরীৎ, খোঙ্গ্রাউ, য়া উপ্পবা গমশিল্ড য়াওনা পূম্নমক ৱাইদুনা শীজিন্নরগা শান্নরকখি হায়না পাউচে অসিদা মমীৎতগী মপি তানা পাউদম্লকখি।

কোংখাম য়াইসনা চনু হৌখিবা কুমজা ২০১২গী জন্যুৱারী ২১দা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সেরৌ অৱাং লৈকাইদা লৈবা কোংখাম পুনাচন্দ্র অমসুং কোংখাম ওংবী রঞ্জিতা অনীগী মচানুপী ওইনা তাইবংদা খোঙদারকখি। য়াইসনাগী মথক্তা মচে অনী নিংঙোল্লেমা অমসুং ঙাম্থোইলেম্বী অদুগা মবুং অমা (লম্থোইলেম্বা) লৈরি। মহাক্কী অপোকপা গাড়ী দ্রাইভর ওইনা মীগী অফং-অফংবা গাড়ী থৌরি। মমা রঞ্জিতানা ৱাংবলদা লৈবা রুরেল ভলন্টরি সর্ভিস (আর ভি এস) কৌবা এন জি ও অমগী মখাদা এইদস কন্ট্রোল প্রোগ্রামগীদমক লিঙ্ক ৱর্কর ওইনা লৈরি।

অঙাং ওইরিঙৈদগী শান্নবা পামজরকখিবী য়াইসনানা কমদৌনা শান্নবগী লম্দা খোঙদারকখিবগে হায়না হংখিবদা য়াইসনানা হায়, কুমজা ২০১৯গী অঙনবা শরুক্তগী সেরৌ কোওপরেটিভতা লৈবা ওজা নিংথৌজম য়াইফবনা মহাক্কী মহৈরোয় খরা ৱুশু অমসুং কিক্ বোক্সিং শান্নবা ট্রেনিং তৌবগী শান্নরোয়শিং লমজেল হেক-হেক চেল্লকপা থেংনখি। মদুদা মহাক্কী অপোকপী অমসুং অপোকপদা মহাকসু শান্নবা য়াওগে হায়না কন্না নীংঙাই তৌখি। তুংদা মহাক্কী অপোকপনা ওজা অদুগী মনাক্তা চৎতুনা ৱারী শারুরবা তুংদা চহী অদুমক্কী নভেম্বর থাদগী শান্নবা হৌরকখি। ৱুশুগী ওইনা কুমজা ২০২০, ২০২১ অমসুং ২০২২দা পাঙথোকপা ষ্টেট লেভেল ৱুশু চেম্পিয়নশিপশিংদা শরুক য়াজদুনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা অমসুং সিলভর অনী লৌবা ঙমখি। কিক্ বোক্সিংগী ওইনা কুমজা ২০২১গী দিসেম্বর ২১দগী ২৫ ফাওবা ৱাকো ইন্দিয়া কিক্ বোক্সিং ফেদরেসননা শীন্দুনা বোক্সিং হোল, শ্রীশ্রী ছত্রপটি শিবাজি মহারাজ স্পোর্টস কমপ্লেক্স, বালেৱাদি, পুনেদা পাঙথোকপা কেদেট এন্দ জুনিয়র নেসনল কিক্ বোক্সিংদা কেজি ৩৭কী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০২২গী নভেম্বর ২দগী ৬ ফাওবা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকপা অনীশুবা ৱাকো ইন্দিয়ন ওপন ইন্টরনেসনল কিক্ বোক্সিং টুর্নামেন্টতা গোল্ড মেদল অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী টালকাটোরা ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপতনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি। মমাং চহীগী মে ২৮ দা সেরৌ এরিয়াদা কুকি জো মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অমদি য়ূম মৈ থাদুনা লান্দারকপদগী লাঞ্জেল্লকখিবনি। মহাক্কী ওজাসু লান চেনবদা য়াওখ্রে অমদি খুল ঙাক্লবগী থৌদাং লৌদুনা অরাম্বাই তেঙ্গোলদা য়াওখ্রে।

ওজা য়াইফবনা নোংমা কোল তৌরক্তুনা অসামগী দিব্রুগরদা পাঙথোকপা খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স কিক্ বোক্সিং লীগতা নহাক শরুক য়াগদবনি হায়রকখি। অদুবু কুইনা প্রেক্টিস তৌরুদবগী মথক্তা মহাক্কী য়ূম মৈ থাখিবদা শান্নবদা চঙবা কিটশিং লোইনা মৈ চাকপদা য়াওখ্রে। মদুগী মথক্তা মহাক্কী মমা কুকি জো মিলিটেন্টশিংনা কাপ্লকপা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শোকপদগী লৈরকপা থা ৭ হেল্লক্লবা ফাওবদা হৌগৎ-কাংখৎপা অমদি চৎথোক-চৎশিন তৌবা ঙমদদুনা হৌজিকসু জে নিমসতা লায়েং চথরিবনা ফনা পামজনা শান্নবা চৎনিংলবসু চৎপা ঙম্লোইদবগী ফীভমদা লৈবদগী বাবা অমদি ইচেশিংগা তানরকখিগে হায়না ওজাদা খুমখি। মমাগী অনাবগী লায়েংবদা শেল চঙবা অমদি ময়ূম-মৈ থাবীখ্রবনিনা শেৎকদবা দ্রেস অমদি কিটশিং অদুগী মথক্তা মহাক্লা ফংজরকখিবা মেদলশিং অমসুং সর্টিফিকেটশিংসু মৈনা তুম্না চাকখ্রবনিনা নৌনা দ্রেস অমদি কিটশিং অদুবু লৈবা ঙম্লোইদবগা লোয়ননা চৎথোক-চৎশিন্দা চঙগদবা শেল লৈতবদগী ফরক তাগদবা মাল্লে হায়না ওজাদা হায়খি। মদুদা ওজা য়াইফবনা নঙ চৎতবা য়াদবনি, ঐনা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী থৌবুরেল কোরৌঙানবা খুমন অমদি মেম্বরশিংগা তানরগা মতেং পাংবা য়ানবা তৌগে হায়না তাকপীরকপগা লোয়ননা ওজানা ৱাপোকপী খুলদা মখোয়গী ইমুং-মনুং লৈরবদি মদুদা লৈরগা প্রেক্টিস তৌসি। ঐদি খুল ঙাকপগী লৈবনিনা চৎথোকপা য়ারোই হায়রকখি। মদুদা মহাক্লা লৈরিবা রিলিফ কেম্পতা হায়নরম্লগা ৱাপোকপীদা লৈবা মখোয়গী মরী-মতা অমগীদা ওজাগা নুমিৎ ৫নিখক প্রেক্টিস তৌমিন্নখি। ওজনা তাকপীরকপদা এ টিগী ইবুং কোরৌঙানবা খুমননা ঐখোয় লৈরিঙৈদা করিগী ইচল শান্নবা চৎলোইদৌবগে, ঐখোয়না মহাক্কী চৎপদা চঙগদবা শেল পুথোকপীখ্রসি হায়না তম্লকপদগী মহাক্কী থৌনাসু হেন্না হাপ্পীদুনা শান্নবা অদু চৎতুনা ইমা লৈবাক মণিপুরগীদমক গোল্ড মেদল পুরকপা ঙমজখিবনি।

হন্দক্কী শান্নখিবা অদুগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্লা হায়, বিষ্ণুপুরদগী ওজা অমদা মহাক্কী ওজা য়াইফবনা শিন্নবীদুনা চৎমিন্নখি। মহাক্লা ৱেথ মান্নবা জিরিদগী মমান্নবী অমগী দ্রেস অমদি কিটশিং ৱাইবা মথৌ তারকখি। অদুবু মহাক্লা থোক্কদবা কিক্ লাইট অমদি লাইট কন্টেক্ট শান্নগদবা অদু মখোয় অনীগী ৱেথ মান্নবনিনা ফরক তারনি, নঙনা হেন্না পামজবা কিক্ লাইটতা শান্নরো, নমান্নবী অসিসু মানা খরা হেন্না পামজনা শান্নবা লাইট কন্টেক্টতা শান্নরো হায়না ওজা অসিনা শিনবীদুনা মহাক্কী দ্রেস অমদি কিট লৈতবা অদু কোকহনবীদুনা মখোয় অনীমক গোল্ড মেদল অমমম্ লৌরকপা ঙমজখিবনি। মহাক্কী চৎথোক-চৎশিনগীদমক শেলগী মতেং পাংবীরকখিবা এ টিগী ইবুং কোরৌঙানবা খুমন অমদি মেম্বরশিং মহাকপু পুবীখিবা ওজা অমদি মহাক্কী দ্রেস অমদি কিটশিং ৱাইথোক-ৱাইশিন তৌনবা শিনবীখিবা ওজা পূম্নমক মহাক্কী মায়কৈদগী হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎলি হায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক দেল্লীদা ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপ অমসু লৈ হায়না ওজানা তাকপীরকই। অদুমওইনমক হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াবা ঙমগনি হায়বদি থাজদ্রে। মরমদি ঐগী অপোকপী ইমা হৌজিক জে নিমসতা লৈদুনা লায়েং চথরিবা অসিদা সী এম ঐচ টি কার্দপুদি শীজিন্নে হায়রবসু সী এচ ঐচ টিগী মনুং চন্দবা হীদাক-লাংথক, চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা অসিদা নোংমদা লুপা ৭০০/৮০০ অদুম চঙলি। বাবাসু খুলদা লৈদুনা খুল ঙাকপা য়াওখিবা, নোংমা ফাদোক থবক অফংবা খরা-খরা শুবা অসিনদি অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। ঈরাং লৈরিবনিনা য়ূমদা হেক চঙবসু য়াদ্রি। রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অসিসু চাবা-থকপা পীবীরবসু মহাক মশাগী মহৈ তম্নবগী, ইবুং অমা লৈরিবা অসিগী অমদি ইচে অনী লৈরিবা অসিগী কোলেজগী, স্কুলগী চে-কলম লৈবা, ফোর্ম ফিলঅপ তৌবা অতৈ-অতৈ অৱাৎ-অপাগী তৌবদা বাবাসু অৱাবা ওইরি। শান্নদুনা মেদল কয়া লৌরক্তুনা ইমা লৈবাক্কী মিংচৎ কয়া তুংগী পূন্সিদা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনজগে খনখিবা কয়াদু ঙসিদি লান অসিনা মহাক্কী মফমদা য়ৈখাই-থিনগাইবীরে। করম্বা মতমদা য়ূমদা হন্দুনা মহৌশাগুম তংদু লৈতানা লৈবা ফংদুনা ঐনা মঙজরিবা মশক নাইবা ইমা মণিপুরগীদমক হেন্না মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা শান্নরোয় অমা ওইরক্কদৌরিবনো হায়না ইতোমতা পেন্দবগী ৱাহং কয়া হংলি অমদি অফাওবা শান্নরোয় অমদি শোয়দনা ওইনিংলি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## অন্দর-১৩ খেলো ইন্দিয়া গর্লস ফুটবোল লীগ ২০২৩-২৪

# আই সী এ ইরেংবম অমসুং য়ং ৱেলফেয়র ক্লব মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা সী ৱাই এল সী গ্রাউন্দ পিশুম লম্পাক চীংঙা মথক্তা চথরিবা অন্দর-১৩ খেলো ইন্দিয়া গর্লস ফুটবোল লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা আই সী এস এ ইরেংবমনা খুমন এফ এ অদুগা য়ং ৱেলফেয়র ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী)না মণিপুর য়ুনাইটেদ এফ এ (এম য়ু এফ এ) মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.৩০ তাবদগী হৌরগা আই সী এস এ ইরেংবম অমসুং খুমন এফ এ অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা আই সী এস এ ইরেংবমগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবসু মশীং হেন্না ফংখি। মেটচ অদু হৌগৎলকপা অহানবা মিনটতা লাইশ্রম রানীনা পাঞ্জল অমা মেটচ অদুগী ১২ অমসুং ২৫ শুবা মিনটতা ওইনাম রেতিকানা পাঞ্জল অনী, ১৯শুবা মিনটতা ওইনাম বিশেশ্বরীনা অমা, ২০ শুবা মিনটতা ইরেংবম দাইনানা অমা অদুগা ২৫ শুবা মিনটতা ইরেংবম থাজমানবীনা অমা পূন্না পাঞ্জল ৬ চনবা ঙমখি। অদুগা খুমন এফ এগী ওইনা অহানবা হাফ ফাওবদা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ২১ অমসুং ২৪ শুবা মিনটতা টিম অদুগী ঙানখম লিস্থোই অমসুং ময়াংময়ুম ফর্জিনানা অমমম্ চনখিবনি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুগী ওইনসু আই সী এস এগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী মখা তানা পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৩৬ অমসুং ৪৫ শুবা মিনটতা লাইশ্রম রানীনা অনী, ৪১ অমসুং ৫০ শুবা মিনটতা ওইনাম রেতিকানা অনী অদুগা ৪৯শুবা মিনটতা ওইনাম বিশেশ্বরীনা অমা চনখিবনি। অদুমওইনমক অনীশুবা হাফকী ওইনা খুমন এফ এগী শান্নরোয়শিংনা মখা তানা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু আই সী এস এনা য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ১১-২দা থোইখিবনি।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৪৫ তাবদগী হৌরগা য়ং ৱেলফেয়র ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী) মণিপুর য়ুনাইটেদ এফ এ (এম য়ু এফ এ) অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ৱাই দব্লিয়ু সীনা য়াম্না লাকচনা এম য়ু এফ এবু পাঞ্জল ১৮-১দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

মেটচ অসিগী ওইনা অহানবা হাফতা ৱাই দব্লিয়ু সীনা পাঞ্জল ৯ অদুগা এম য়ু এফ এগী ওইনা পাঞ্জল ১ চনখি। ৱাই দব্লিয়ু সীগী অহানবা হাফকী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ২, ৩, ১৪শুবা মিনটতা টিম কেপ্টেন জুলান নোংমাইথেমনা অহুম, ১১, ১২, ১৬, ১৭, ২৫, ২৫ শুবা মিনটতা লৌক্রাকপম সৈত্যমালানা পাঞ্জল ৬ চনখিবনি। অদুগা এম য়ু এফ এগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী ২১ শুবা মিনটতা জে ইনর খুন্দ্রাকপমনা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফতা ৱাই দব্লিয়ু সীনা মখা তানা পাঞ্জল ৯ চনবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ২৭, ৩০, ৩৩, ৩৪, ৪৬ শুবা মিনটতা অতোম লিস্থোইনা মঙা, ২৮শুবা মিনটতা লাইশ্রম বিদ্যালক্সমীনা অমা, ৪১, ৪৯ শুবা মিনটতা লৌক্রাকপম সৈত্যমালানা অনী অদুগা ৪৫ শুবা মিনটতা ইরোম য়াইফবীনা অমা চনখিবনি।

## লুৱাংপোকপা টি-২০ ট্রোফি ২০২৩-২৪

# টি সী এম দি সী থোংজু, ব্লু হোক খুরাই অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা ৪রক শুবা এম এন সী এ লুৱাংপোকপা টি-২০ ট্রোফি ২০২৩-২৪ (লীগ মেটচ)গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা টি সী এম দি সী থোংজু পার্ট-২ পেচু লম্পাকনা থাও থাংমৈবন্দ, ব্লু হোক খুরাই লম্লোংনা ওস্কার পাওনা বজার অদুগা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা পি সী সী ময়াইকোইবী মায়থীবা পীখ্রে। অমরোমদা, এস দি সী লাইফম খুনৌগী শান্নরোয়শিং লাক্তবদগী আই বি এস এ য়ুম্নাম লৈকাইনা ৱাকওভরদা থোইখ্রে।



পব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট-৩ চেরাপুরদা টি সী এম দি সী অমসুং থাওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস থাওনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা থাওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ওভর ১৯.৩ শুরকপদা টিম অসিগী ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১০৬ লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, টি সী এম দি সীনা টার্গেট রন ১০৭ ফংনবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ওভর ১০.১ শুরকপদা ৱিকেট অমখক তুরগা টার্গেট রন য়ৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু টি সী এম দি সীনা য়াম্না লাকচনা ৱিকেট ৯দা থোইখিবনি।

মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দ থৌবালদা ব্লু হোক অমসুং ওস্কারগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ব্লু হোকনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা ব্লু হোকনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৮ তুরগা পূন্না রন ১৫৮ লৌবা ঙমখি।

ওস্কারনা টার্গেট রন ১৫৯ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেন অহুমখক্লা রন মশীং য়াম্নবা হোৎনবদা মতেং পাংলমখ্রবসু লেমহৌরিবা বেটসমেনশিংনা রন লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ১৮.৩দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১১২ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ব্লু হোকনা রন ৪৬ তা থোইখিবনি।

লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা পি সী সী অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস পি সী সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা পি সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৯ তুরগা পূন্না রন ১৫৩ লৌখি।

ৱাই দব্লিয়ু সীনা টার্গেট রন ১৫৪ ফংনবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ওভর ১৮.৪দা ৱিকেট ৫ তুরগা টার্গেট রন লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা ৱিকেট ৫দা মায় পাকখিবনি।

# মণিপুরনা মেদল ৩ লৌবা ঙমখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচ এন এস):** কর্নাটাকাগী বিজয়াপুরদা ঙরাংদগী হৌরগা চথুখিবা ২৮লক শুবা নেসনল রোদ চেম্পিয়নশিপ ২০২৪দা মণিপুরগী টিমনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মেদল ৩ লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিভিজ্যুএল টাইম ট্রায়ল কিলোমিটর ১৫গী য়ূঠ বোইজকী কেটগোরিদা জৈইস থোকচোম অপোকপা জেফরসন থোকচোমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। ইন্দিভিজ্যুএল টাইম ট্রায়ল কিলোমিটর ১০গী য়ূঠ গর্লস কেটগোরিদা মণিপুরগী তরুনকুমারী থোকচোম অপোকপা থোকচোম সঞ্জয়না গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে। অদুগা য়ূঠ গর্লস টিম টাইম ট্রায়ল কিলোমিটর ১৫গীদনা মণিপুরগী তুরনকুমারী থোকচোম অমসুং উশম সনধ্যানা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখ্রে। কর্নাটাকাদা হৌজিক পাঙথোক্লিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরদগী সাইক্লিষ্ট ১২না পূন্না তোঙান-তোঙানবা ইভেন্ট ৬তা অথোই-অহেন চাংদম্নরি। মণিপুরগী টিম অসিদা পূন্না ওফিসল ৬ য়াওরি। ওফিসলশিং অদুদি কোচ ওইনা জেফরসন থোকচোম, টিম মেনেজর ওইনা গুরুময়ুম দয়ানন্দ, এসিষ্টেন্ট মেনেজর ওইনা টি রাম প্রকাশ অমসুং টেক্নিকেল ওফিসলদা আর কে ভাস্করনি।

# সন্তোশ ট্রোফিগী ফাইনেল রাউন্দদা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচ এন এস):** চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২১দগী হৌরগা অরুনাচল প্রদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৭লক শুবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোশ ট্রোফিগী ফাইনেল রাউন্দদা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকীপরদা এ বি ৱিরাইবৌ, এস ঐচ থোমাস, সলমান খুর্সিদ, সিদার্থ রানা, দিফেন্দরশিংদা এম দেনি, দব্লিয়ু অরুনকুমার, এম দি রোহিট, টি ঐচ চিংখ্রেঙানবা, ৱাই শান্তা, টোমিওসেভ, এস অভিনাশ, সুনজাথান রাগুই, এন কবিরাজ, রোজেন মৈতৈ; মিদফিল্ডরশিংদা পি ঐচ সনাথোই মৈতৈ, এম দি জেনিশ, এন জি পাচা, কে ঐচ লক্কি, সোমিসন সিরাক, এল শঙ্কর, লোয়াঙম্বা মৈতৈ এ কে, এল ভিশাল, এন সুশিলকুমার, এন ইমর্সন মৈতৈ অদুগা ফোরৱার্দশিংদনা সেমসন, পি রেনেদি, দব্লিয়ু সদানন্দ, পি সোরোরমিথিং সাং, গনিনয়াম মলাংমৈ অমসুং সিংগাম সুভাশনি।

খল্লবা শান্নরোয়শিং অসি থা অসিগী ১২গী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা ফুল কিটশিংগা লোয়ননা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা লাক্তুনা টিম ওফিসলশিংদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ৪৩ শুবা সী এস দি এস এ স্পোর্টস মীট

# সল্লুক ৱাই সী, দাংখু ৱাই সী, রিংফে ৱাই সী মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচ এন এস):** চকপীকারোং সব-দিভিজন স্পোর্টিং এসোসিএসন, চান্দেলনা শীন্দুনা চকপীকারোং পব্লিক প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ৪৩রক শুবা সী এস দি এস এ স্পোর্টস মীটকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল মেটচশিংদা সল্লুক ৱাই সীনা রুংচাং এফ সী, দাংখু ৱাই সীনা নুংপান-বি অদুগা রিংফে ৱাই সীনা কনাকাংবুং ৱাই সী মায়থীবা পীখ্রে।



ঙসি অয়ূক পুং ৯.৩০ তাবদগী হৌরগা সল্লুক ৱাই সী অমসুং রুংচেং এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীগী শান্নরোয়শিংনা চাং মান্নবা শান্নবা ঙমখি। অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা সল্লুক ৱাই সীগী দব্লিয়ু এস নিংমেননা রুংচাং এফ সীগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুগী ৬৭ শুবা সল্লুক ৱাই সীগী আর দি মোথারিংনা পাঞ্জল অমগা অমুক চনখি। অদুমওইনমক রুংচাং এফ সীগী ওইনদি পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু সল্লুক ৱাই সীনা পাঞ্জল ২-০দা থোইখি।


অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবদগী হৌরগা দাংখু ৱাই সী অমসুং নুংপান-বিগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা দাংখু ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু দাংখু ৱাই সীনা য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৫-০দা থোইবা ঙমখিবনি। পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১, ১০, ৬২ অমসুং ৭৩ শুবা মিনটতা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৭ এস আর সোহরিং, জর্সি নম্বর ১৬ ঐচ বি মোহরিং, জর্সি নম্বর ৮ নমখুরিং অমসুং জর্সি নম্বর ৫ কোহেনসননা অমমম্ চনখিবনি। অদুগা অতোপ্পা পাঞ্জল অমদুনা নুংপান-বিগী জর্সি নম্বর ৩ ঈ এল মোদামনা মেটচ অদুগী ৬৩ শুবা মিনটতা শোয়বদগী মশাগী মায়কৈদা চনশিঞ্জখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.৩০ তাবদগী হৌরগা রিংফে ৱাই সী অমসুং কনাকাংবুং ৱাই সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা রিংফে ৱাই সীগী অবিয়ানা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবদা কনাকাংবুং ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১০ অংলোহরিংনা মেটচ অদুগী ৫৪ শুবা মিনটতা মখোয়গী মায়কৈদা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকখি। মখা তানা শান্নখিবা অদুগী ৬৯শুবা মিনটতা রিংফেগী কোহোৱানা পাঞ্জল অমা অমুক চনবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু রিংফে ৱাই সীনা পাঞ্জল ২-১দা থোইখিবনি।




## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1015**

**CM Vit Bures (2121) - IM Miklos Galyas (2466)**
**Titled Tuesday 25th Jan chess.com INT (3), 2022.01.25**

1.d4 f5 2.Nc3 d5 3.Bf4 a6 4.e3 Nf6
5.Nf3 e6 6.Bd3 c5 7.O-O Nc6 8.dxc5 Bxc5
9.Na4 Ba7 10.Ne5 O-O 11.Nxc6 bxc6 12.c4 Ne4
13.Qc2 Bd7 14.Rfd1 Qf6 15.cxd5 cxd5 16.Nc3 g5
17.Bc7 Rac8 18.Ba5 Bb5 19.Bxb5 axb5 20.Qb3 f4
21.Nxe4 dxe4 22.Bc3 Qf7 23.Qxb5 Rc5 24.Qb4 fxe3
25.fxe3 Rf5 26.Qxe4 Qg6 27.Qc6 Bxe3+ 28.Kh1 g4
29.a4 Qh6 30.Qc4…

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 1014 Solution :**

**42. …Rh1+** The black rook deflects White's knight away from protecting the square d1 and the square e4.
Your moves:42...Qc1+
**43.Nxh1 Qd1+ 44.Kf2 Ne4+ 45.Ke3 Qd2#**
**0-1**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com